৩৮ শুবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# চিঙ্খৈহুনবা অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৫(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ৩৮ শুবা মেন্স ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবনা খুরাই পোলো ক্লবপু ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা চক্করগী শান্নবদা ১-১দা দ্রো ওইখি। খুরাইগী সী ঐচ রেক্সনা শান্নবা হৌরকপগী ০.২৮দা মেটচকী অহানবা গোল চনখি। টি ঐচ মনিসনানা শান্নবগী ৩.৪১দা ইক্বেলাইজ গোল চনখি।

অনীশুবা চক্করদা চিঙ্খৈহুনবনা খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা কেপ্টেন ঐচ প্রিতমনা চক্কর হৌরকপগী ০.১৫দা চিঙ্খৈহুনবগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৪.২১ অমদি ৫.১৫দা গোল ২ অমগা হাপচিন্দুনা খুরাই টিমবু ৪-১দা মাংজিল থাখি।

এন সদানন্দনা অহুমশুবা চক্করগী শান্নবগী ৩.৫২দা চিঙ্খৈহুনবগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। টি ঐচ ইনাওতোম্বনা শান্নবগী ৪.১৪দা খুরাইগী অনীশুবা অদুগা এস সেলুংবনা অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ৬.২দা খুরাইগী ৩শুবা গোল চনখি।

মেটচ অসিদা এস বাইকিং অমদি টি ঐচ জেকোবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।


হৌদোকপগী থৌরমদা রিটায়র্দ লেফটনেন্ট জেনরেল ডা. কোন্সম হিমালয়না অথোইবা মীথুংলেন অমদি অম্পাগী প্রসিদেন্ট ডা. কোন্সম শরতচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ২৩না শরুক য়ারি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা লম্ফেল পোলো ক্লব-বি অমদি কে এম এম রাইদিং স্কুল-এ লম্বা তৌনরগনি।

রবিচন্দ্র ষ্টেট ওপন ফুটবোল লোইশিনখ্রে

# বোলেরো এফ সীনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৫(ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এডল্টস এসোসিএসন (উপা) ক্যামগৈনা শীন্দুনা ক্যামগৈ ময়াই লৈকাই গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২দগী হৌদুনা চখ্থরকপা ১২শুবা রবিচন্দ্র মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা বোলেরো এফ সী বামোন লৈকাইনা অপূনবা এফ সী অরাপ্তিবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।




রোবর্টনা শান্নবা হৌরকপগী ১৩ শুবা মিনটতা বোলেরো এফ সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। তোম্বনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪০ শুবা মিনটতা অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা অমদি মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনখি।

মায় পাকখিবা বোলেরো এফ সীগী তোম্বনা পূন্না গোল ১৯ চন্দুনা তোপ স্কোররগী মনা ফংখি। টিম অসিগী সেমসননা মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি। টিম অসিগী চরননা বেষ্ট গোলকিপর অদুগা বন্তিনা বেষ্ট ইমর্জিং প্লেয়রগী মনা ফংখি। অপূনবা এফ সীগী রোশননা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংবা ঙমখি অদুগা য়ূম্বু টিম ওইরিবা উপা-এ ক্যামগৈনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফংবা ঙমখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি সী ঐচ সনাজাওবা মৈতৈনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা পি দব্লিয়ু দিগী রিটায়র্দ চীফ এঞ্জিনীয়র এম লোকেন্দ্রনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ৱিন্নর ওইখিবা টিমদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৭০ অমদি রন্নর্স অপ তাখিবা টিমদা ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৪০গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি।

# তুং কোইনা শান্ন-খোৎনবদা শরুক য়াবনা হকচাং ফনা লৈহনবদা মতেং পাংই : গভর্ণর

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস): তুং কোইনা এক্তিভ ওইনা শান্ন-খোৎনবদা শরুক য়াবনা হকচাং ফনা অমদি নুংঙাই য়াইফনা লৈহনবদা মতেং পাংই হায়না গভর্ণর লা গনেসননা ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর ভেটরান টেবল টেন্নিস এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী কাংশঙদা থা অসিগী ১৩দগী হৌদুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চখ্থরকপা ২০শুবা মণিপুর ভেটরান টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

গভর্ণরনা মখা তারদুনা টেবল টেন্নিস মশান্না অসি চহী কাঙলূপ খূদিংমক্কী মীওইশিংনা শান্নবা য়াবা অমদি হকচাং ফনা লৈহনবদা মতেং পাংবা মশান্না অমনি হায়খি। মহাক্না মখা তানা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মায় পাক্লবা শান্নরোয়শিং অমদি শিন-লাংলিবা মণিপুর ভেটরান টেবল টেন্নিস এসোসিএসনবুসু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা গভর্ণরগী সেক্রেটরি বোবি ৱাইখোম, পি দব্লিয়ু দিগী রিটায়র্দ চীফ এঞ্জিনীয়র ও দিজেন্দ্র অমদি সী ও বালকৃষ্ণ রাওসু শরুক য়াখি।

এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# নাপসা অমদি এস দি সী মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৫(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথ্থরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শান্নখিবা মেটচতা নাপসা খা-ইম্ফাল অমদি এস দি সী লাইফম খুনৌ মায় পাকখ্রে।

মোদর্ন হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা এস দি সীনা ৱাই দব্লিয়ু সী পাৎসোইবু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা এস দি সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ৱাই দব্লিয়ু সীনা ওভর ৩৯.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৪৭ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা এস দি সীনা ওভর ৩৮.২দা ৱিকেট ৭ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা পাৎসোই টিমবু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীখি।

এস দি সীগী দোনি লাইশ্রমনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৫৬তা রন ৩২ অমদি অহানবা ইন্নিংসকী ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ১ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

অমরোমদা, লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা নাপসা খা-ইম্ফালনা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওবু ৱিকেট ২দা থোইখ্রে।

কে আই ৱাই সীনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৭.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৫৩ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা নাপসানা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ৩৪.৫দা ৱিকেট ৮ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ৱিকেট ২দা মায় পাকখি।

নাপসাগী তোংব্রম ধনকুবেরনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা আউট ওইদনা বোল ৪৩দা রন ৩০ অমদি অহানবা ইন্নিংসতা ওভর ৬.২ লংবদা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

নাপসানা মেটচ ৩ শান্নবদা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ এগী টেবলগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা এস দি সীনা মেটচ ৪দা পোইন্ট ২ ফংলগা গ্রুপ বিগী ৭শুবদা লৈরি।

৭শুবা পুপু কপ ২০২৩

# ক্বার্টর ফাইনেল লাইনঅপ লোইখ্রে




ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৫(ঐচএনএস): পেরদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবমনা শীন্দুনা পুংদোংবম গ্রাউন্দদা চথ্থরিবা ৭শুবা পুপু কপকী ঙসি লীগ মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা টিম ৮না ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

গ্রুপ এগী ৱিন্নর আর্মি এফ সী সৈজাংনা গ্রুপ সীগী রন্নর ঈ য়ু এস সী তেলৌগা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১দা অহানবা ক্বার্টরদা থেংনরগনি। নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ২.৩০দা গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ৱাই দি সী এল-এ পুংদোংবম অমদি গ্রুপ দিগী রন্নর ৱাই এস সী লৌশাংখোং অনীশুবা ক্বার্টরদা লম্বা তৌনরগনি।

পুংদোংবম গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী অরোইবা লীগ মেটচতা এল এস আই সী লম্লাইনা তাম এফ সী-বি সেক্তাবু লাকচনা ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লম্লাই টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কবিরাজ অমদি বিঘানন্দনা ২/২ চনবা ঙমখি।

৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল

# ইন্দ্রজিৎকী গোলনা অরাপ্তি চাওনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৫(ঐচএনএস): ইন্দ্রজিৎনা চনখিবা গোল ৪ অদুগা আর্বিন্দনা শান্নবগী ১৩ অমদি ২৬তা চনখিবা গোল ২ অমসুং চিঙ্খৈঙানবনা শান্নবগী ৪৯দা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা অরাপ্তি এফ সীনা ঘড়ী এফ সীবু লাকচনা ৭-২দা চথ্থরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি হাওরৈবী কাংজেবুংদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।




ইন্দ্রজিৎকী অহানবা গোল অদুনা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৪৮দা অদুগা মহাক্কী হেটট্রিক অমদি ৪শুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৫০ অমদি ৬০ শুবা মিনটতা চনখিবনি। ঘড়ী টিমগী গোল অনী অদুনা উমাকান্তনা শান্নবগী ১০ অমদি অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা চনখি।

অমরোমদা, গ্রুপ সীগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সনা এফ সী থৌবালনা পি এ সী পুখ্রম্বমবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

সনা এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দেরিলনা শান্নবগী ১৫ অমদি ১৬তা গোল ২ অদুগা দোনাল্ডোনা শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি। পুখ্রম্বম টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মাঞ্জনা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা ওল ষ্টার ক্যামগৈনা কে এ এল ৱাই সী করামবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ওল ষ্টারগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কিরননা ২ অমদি রনবিরনা ১ চনখি। করামগী গোল ১ অদুনা অমর্জিৎনা চনখিবনি।

# সনরাইজ ক্লব অহৌবা নুমিৎতা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৫(ঐচএনএস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা এল রোহিনিকুমার মেমোরিএল ক্রিকেট লীগকী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা সনরাইজ ক্লব কদমটালানা শামুপুনবী কংলৈচা ক্লব (এস কে সী) গুলারথোলবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস কে সীনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৩.৫দা ওল আউট ওইদুনা রন ৭৩ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা সনরাইজ ক্লবনা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ৱিকেট ৫দা মায় পাকখিবনি। সনরাইজ ক্লবকী এস রোহিটনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৭না শরুক য়ারি।

# এস দব্লিয়ু সী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৫(ঐচএনএস): দি এস এ ককচীংনা শীন্দুনা চথ্থরিবা দি এস এ ট্রোফি ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) কৈরক ফাইনেল চঙখ্রে।

থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা এস দব্লিয়ু সীনা এস দি ও পল্লেলবু ৪-৩দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল নিংথৌকাবা নুমিৎতা সাও ককচীং অমদি য়ু বি এস এ মান্তক লম্বা তৌনরগনি।

# সী টি এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৫(ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা হয়েল গ্রাউন্দদা চথ্থরিবা প্রধান ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সী টি এফ সী ময়াং ইম্ফালনা আই টি এফ সী উচিৱা হয়েলবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল টিমগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু জোনিনা শান্নবগী ১৮ অমদি ৩৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরি হরিমোহোননা মায় পাকখিবা ময়াং ইম্ফালগী সোমোরজিৎ অমদি উচিৱাগী ময়ান্দাবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জোন এফ সী অচানবীগৈ অমদি মরুপ এফ সী হৈরোক গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।


# সাজন অমদি দি এম এফ সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৫(ঐচএনএস): ইরেংবন্দ হায় স্কুল গ্রাউন্দদা চথ্থরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সাজন এফ সী পুখাও অমদি দি এম এফ সী মোরে গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

মেটচ অসিদা রেফরি এস ঐচ রোবিনসননা মোরেগী রোবর্টসনবু শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা টি কে দি এ তেন্থানা এস এম এল ৱাই সী সোরাবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।


তেন্থা টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু রতনজিৎনা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা চনখি।



HL-P/5597/12-18



HL-P/5089/2/12-30/01




HL-B/7933/4/12-3/02



HL-P/7975/12

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 688

**Ahmed Adly (2605) - Rudik Makarian (2440)**
**World Blitz 2022 Almaty KAZ, 2022.12.29**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 Nf6 | 2.g3 b5 | 3.Bg2 Bb7 | 4.O-O e6 |
| 5.a4 b4 | 6.d4 Be7 | 7.c4 O-O | 8.Bf4 c5 |
| 9.dxc5 Na6 | 10.Nbd2 Nxc5 | 11.Nb3 Rc8 | 12.Ne5 Bxg2 |
| 13.Kxg2 d5 | 14.Nd4 dxc4 | 15.Ndc6 Qc7 | 16.Rc1 Qb7 |
| 17.Rxc4 Rxc6 | 18.Nxc6 Qxc6+ | 19.f3 a5 | 20.Qc2 Nd5 |
| 21.Rc1 Rc8 | 22.Qd1 e5 | 23.Bd2 Nb6 | 24.R4c2 Nbxa4 |
| 25.Be3 b3 | 26.Rd2 h6 | 27.Rc4 Qb5 | 28.Qc1 Rb8 |
| 29.Rd5 Rc8 | 30.Rxe5 Bf8 | 31.Bxh6 Nxb2 | 32.Rg4 Nbd3 |
| 33. ... | | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 687 Ans. :**

39. ...Qc1+
Your moves: 39. ...Qxf3
40. f4 Qxf4+ Opening the line from g2 to g5.
Your moves:40...Nxf4
41. gxf4 Rg2+ 42. Kh4 Rg4+
Your moves:42...Rxh2+
43. Kh3 Nxf4#
43. ...Nf2#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com